# অশিবগী অহিংবা খুদোলনা মীয়াম্বু পেলহল্লি

*- নানি*





শাথীরবা লান্দা অমনি। লান অসিগীদমক কনানা কনাদা লমন খুম্নগদৌরিবনো? অহুমশুবা লাঞ্জাও অসিনা মীওইবগী পুন্সিদা তেমশিংনবতা নত্তনা খুন্নাইগী লৈজরম্বা শক্লোন পূম্বা থুগাইবীদুনা, মীওইবগী ব্রাখলগী ফিরেপ লেপ্পনবা চাওখৎ লমজেল কয়াদা খুরুপ থাদুনা চেনখৎনরম্বা কয়া হৌজিক্তি চপ লেপ্তুনা লান অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বা ব্রাখল অসোমদা পূক্নিং লূপ্তুনা লৈরি। মালেমগী, ইন্দিয়াগী ব্রা তোকখ্রগা মণিপুরদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লোকদাউন হায়বা অমা লাউথোক্তুনা মীয়াম্বু অসিগুম্বা অকিবা লাইচৎ অসিদগী কন্নবা য়ূমদগী মপান থোক্তনবা থৌরাং লাংলি। মসিনা মরম ওইদুনা খুন্নাইগী চত্থরিবা খোঙচৎ অসিদা শাথীনা অকিবা ওইহল্লে, হৌজিক মণিপুরদা থা অহুমলোম অসিদা ঐখোয়গী পুন্সিরোলদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। য়ূম য়ূমদা লৈবা মতমদা হান্নগী লৈরম্বা নোর্মেল লাইফ অদু হোংদোক্তুনা অনৌবা নোর্মেল লাইফ অমা লাক্লবা হোৎনবা মতমদা ইচিক-চিকপা য়ূমদা তৌফম খঙদবা কয়া থোক্লি। মী অমত্তা উনবা য়াদদুনা চৎলম্বা, কোয়রম্বা, চারম্বা, থক্লম্বা পূম্নমক তোক্তুনা নাইতোম তাবা পুন্সি অমদা নোর্মেল লাইফ তানবা হোৎনরক্লি। মসিদা ঐখোয়গী মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংনা মাগী মাগী প্রোফেসনদা পুথোকখিবা আর্টকী খুদোল কয়া অমনা ঐখোয়গী মীয়ামগী পুন্সিবু নোর্মেল লাইফ অমদা পুশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঈশৈ শকপশিংনা অনৌ-অনৌবা ঈশৈ কয়া খুদোল তৌদুনা মীয়ামগীদমক শকপগী রেকোর্দিং কয়া, ফিল্মগী কাঙবুনা পুথোকপা ফিল্ম কয়া, শুমাং লীলা তৌজরিবা কয়ানা মখোয়-মখোয়না পুথোকচবা লীলা কয়াগী রেকোর্দিং কয়া সোসল মিদিয়া (য়ুট্যুব, ফেসবুক) তা, নেটৱর্ক চেলেশিংদা শুংলেপ-লেপ্তুনা নুংঙাই-নুংঙাইরবা ঈশৈ, ফিল্ম, লীলা, দ্রামা অমদি পর্ফোর্মিং আর্টকী খুদোল কয়া হৌজিক মীয়াম্বু পোত্থানবা অমদি অহেনবা অরুবা ব্রাখল খলহন্দনবা থাদোক্লি। য়েংনরি, পেন্নরি, নুংঙাইরি, অৱাবা পোত্থানরি। মমানা পোকপদগী - ঐদি মণিপুর ফিল্ম য়েংদে, মণিপুর ঈশৈ তাদে, শুমাং লীলা য়েংদে হায়না অচাউরম কাদুনা লৈরম্বা মীওই কয়া নোং ঙানবগা টি ভি থাদুনা,



ফোন্দা হাংদুনা য়েংনরি।

অদুবু নুংঙাইরিবদি অদুগুম্বা খুদোল কয়া অদুবু পুথোকচরিবা, ঈশৈ কয়া শেল্লিবা, শক্লিবা, থিল্লিবা, য়ৈরিবা, খোংলিবশিং, ফিল্মদা শরুক য়ারিবশিং, মখোয়না নুংশা মরক্তা য়াম্না ব্রানা হোৎনজদুনা শুটিং তৌখিবা, অচংবা শেনফম হঞ্জিনবা ঙমজখিদ্রবা ফিল্মশিং, আর্টিষ্টনা পুথোকচখিবা শুমাং লীলা কয়া, অরিবা অমদি অনৌবা কয়া অদু য়েংদুনা মতম লেল্লি। মতম লেনবদা নত্তনা ব্রাখলগী ফজরবা অনৌবা ময়োল কয়া অমা চোংহল্লি। অনৌবা পুন্সিগী ব্রাখল্লোন কয়া পোকহল্লি। হৌজিক্তদা হায়রি - কয়াদা নুংঙাইরবা, ঐখোয়গী আর্টকী পোত্থোকশিং অসিনা ঐবু য়ূমদা অৱাবা হায়বদু লৈহন্দ্রে, অদুগীসু মথক্তা অনৌবা আইদিয়া কয়া অমা পীরে। অৱাবা কাউদুনা মোমোন-মোমোন নোক্তুনা কয়াদা নুংঙাইরবা। অদুবু মখোয়-মখোয়গী ব্রাখলদা আর্টিষ্ট কয়া অদুবু করম্না নীংশিংলিবগে? মখোয়গী অৱা-অনাদা কনানা করি হংলিবগে? লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু করি করম্বা অনৌবা থৌরাং অমা পায়খৎতুনা আর্টিষ্ট অসিগীদমক করি মতেং পীরবগে? নোংমগী ওইবা থৌরম খরা চৎলুরগা, ষ্টুদিওদা, ষ্টেজদা, ফিল্ডদা ব্রানা হোৎনজরুবা অদুদগী ফংজরকপা কয়া অদুনা মচা মশু থাকচরম্বা অদু হৌজিক্তি আর্টকী ওইবা থবকশিং চপ লেপ্তুনা লৈখ্রবনিনা, মখোয়গী খম থেংনা ব্রাবা তাঞ্জা হায়বদু লাক্লবা মতম অসিদা লৈঙাক্লসু, মীয়ামগীদমকনি হায়না চোঙথোক্তুনা থবক তৌজরিবা ঙসিদি অতোপ্পা শিনফম অমা লৈহৌদবনিনা অশিবগা চপ মান্নরবা আর্টিষ্টশিং অসিগী অৱাবদসু করি করম তৌবা য়াবগে হায়বা য়েংশিনবীবা মথৌ তাই। লোয়ননা নোংমতা ওইরবসু অসুক য়ামখ্রবা মীয়ামশিং অসিগী মায়কৈদগী আর্টিষ্টশিং অসিগী খুদোলশিং অসিগী মরমদা ব্রাহৈ অমতা ওইরবসু হায়ফম থোকই।

চহী অসিগী লোইশিল্লকপদদি মালেমগী মফম কয়াদা চাংয়েং চত্থরিবা কোভিদ-১৯গী হীদাক পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়ৌহল্লগনি হায়রিবা ব্রাফম অসিনা অচুম্বা ওইরবসু, হান্না লৈরম্বা মীওইবগী চৎনবী অদুদগীদি শোয়দনা অহোংবা খরদি লাক্লগনি। সোসল দিষ্টেন্সিং, সোসল গেদরিং হায়রিবা কয়া অসি শোয়দনা রেষ্ট্রিক্সন খরা তৌনরক্লগনি, মদুদা অনৌবা লাক্কদৌরিবা মতম, পুরক্কদৌরিবা মীওইবনসু অনৌবা চৎনবী অমা ওইনা হৈনরক্লগনি। মতম অদুদা হান্নদগী চৎনরক্লিবা কাঙলোন খরদি শোয়দনা কায়রক্লগনি। মতাং অসিদা মরী লৈনবশিংনসু অফবা তুং কোয়বা য়াবা কাঙলোন খরা শেমহৌবা হায়বসি শোয়দনা কান্নগনি। ব্রাফম অসোমদসু মীয়ামগী অপূনবা ব্রাখল্লোন অমা পুরকপা ওইসনু।

মীগী মমল অসি করিনা লেপকনি? ব্রাহং অসি থোইদোক্লা অরুবা নত্তে, অদুবু খুম্বদদি পাউখুম য়াম্না লানগনবা ব্রাহংনি। মীগী মমল হায়বসি মা-মানা তৌরিবা থবক অদুনা চাউরাকপা অমা লেপকদ্রা? নৎত্রগা অচৌ-অশাং ওইবগী ফমজাউ পায়বা নৎত্রগা মী অদুগী মশাদা লৈরিবা থোইদোকপা মতিক ময়াই অদুনা লেপকদরা? মসি নৎত্রগনা মী অদুনা হিংলিঙৈদা পীরম্বা শেল-থুম অমদি মরল-মথুমনা লেপকদ্রা? অচৌবা থিকা তৌবা, মতুংদা মীগা য়াম্না ইন্নবা, মবুকচেলগা য়াম্না চাউবা মানবা, মীনুংশিগা য়াম্না চেনবা মানবা, মনুংদনা হঙ্গোই-তুজুংবা ব্রাখল খনগনবা মীশক অদুগী মপাঙ্থোংগী শক্তম অদুনা লেপকদরা? ব্রাহংদি য়াম্না থোক্কনি, মদুগী মতিক পাউখুমসু য়াম্না লেপকনি।

মালেম অসিদা মতিক-ময়াই চেনবা মীওই কয়া পোকখ্রে। মখোয়-মখোয়না তৌরম্বা থবক্কী মহয় অমদি মখোয়গী খূৎশাগী তাহৌরিবা মমি অদুনা পুৱারীগী লমাই থন্না-থন্না ইদুনা লৈরি। মখোয়গী ব্রাখল্লোন অমদি মখোয়গী মীৎয়েং কয়া অদুদা মীয়াম্না তুংইন্দুনা মখোয়গী অনৌবা পুন্সিগী ফিরেপ অমা লেপ্লবা হোৎনবা কয়া অমসু লৈরি। মীওইশিং অদুগী প্রোফেসন অমমম শোয়দনা লৈগনি, মাগী-মাগী হৈনজবী শিনফম অদুগীসু মখোয়না মতিক-ময়াই হাপ্লমদুনা হৌজিক ফাওবদা শীংথাবগী লোইবা নাইদ্রি। মী অমত্তনা মশক খঙখিদ্রবা অমদি উখিদ্রবা মীওই কয়া অমগী খুদোল কয়া অদুগী কান্নবদি ঙসিগী মীরোল অসিনা লৌদুনা লাক্লি।

মালেম অসিদা আর্টিষ্ট কয়া পোকখ্রে, কয়া লৈখিদ্রে, কয়া অমসু হিংলি। মখোয়গী থৌদাং অদুসু ঐখোয়না শিংথাদবা য়ারোই। মখোয়গী খুদোলদি লির-লিরগা হেন্না-হেন্না তগৎ-তগৎ তেক্লিবনি। মসিগী মনুংদা লৈখিদবা কয়া য়াওখ্রবসু, হৌজিক হিংলিবা কয়া অমসু লৈরি। মখোয়বু য়াম্না শিংথানখি। মখোয়মক্লা ঐখোয়গী আর্টকী পোত্থোক পূম্নমকশিং অসি মহয় য়ালহল্লিবনি, মখোয়গী হোৎনবা কয়া অসিনা ঙসিগী মীরোল অসিনা পুন্সিগী অশেংবা মশক অমা অমদি চোকথরবা পূক্নিং হকচাংগী পোত্থাফম ওইনরি। মসিদি অশেংবমকনি। হেন্না হায়জিনবা নত্তে।

হৌজিক মালেম অসিদা য়াম্না কিনরিবা অকিবা লান্দা অমনা লান্দারকপদগী মীওই পূম্নমক্কী ব্রাখলদা অমদি পূক্নিংদা অকিবা কয়া অমা পোক্লরি। তশেংনমক্তি অহুমশুবা লাঞ্জাও অমনি। নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপ্তুনা মীওইবগী মথক্তা চত্থরকপা মাঙ-তাকহনবগী

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ব্রাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।০৬।২০২০ ইং, নোংমাইজিং,
ইঙাগী ১৭নি পানবা।

**মেষ :** থাজদবা কান্নবা ফংজগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাগনি অমদি নচাক নরল চাওখৎপা নুমিৎনি। অদুবু অহেনবা লৌশিং ব্রাৎকনি অদুনা মীগী পাউতাক লৌবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃষ :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীয়াম পুনবদা পূক্নিং পেঞ্জবা লৈগনি। নোল্লুকপা হৈতবনা য়েক্লবা চাওখৎপা য়াবদি লৈ অমদি লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়ারোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি, অঙম্বনা চানবীগনি অমনি পাঙ্গল ফুদোক্লা থৌ পাংবা য়াবা নুমিৎনি। ব্রা ঙাঙবদি লুগনি অমদি অরং-অরাক চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজববা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**কর্কট :** মীচং লৈরগনি, নীংবদুমক পাংবা য়াগনি অমদি অচুম্ববু চৎলদি মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। ব্রানোম্বগী নুংঙাইবা অমদি য়েক্লববা লৈরসু ব্রাখল তামিন্নবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** মীজয়ামগী মতেংনা পাংঙমদবা থবক পাংবা য়াবা লৈ। ব্রাখল লাংথোকপা পামবা অমদি ব্রাখল মান্নবা মীশিং লোয়নবা ফংবা লৈ। মীকোক থোংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা লুনা তৌই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কন্যা :** ব্রাখল নুংঙাইবা ব্রাৎকনি অদুনা হেঞ্জিন্না খঞ্জিনবা ফত্তে। নোল্লুক্নদি চৎলগা পাঙ্গল থৌনাদি ফুদোকপা কান্নগনি অমদি নক্লবশিংগী ব্রা তাবা য়াইফবা ওইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাদে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** থবক পাংগনি, লাইবক ফরে অমদি অনৌবা থৌরম খক্তং পাংবা হেন্না মাই পাক্কনি। চয়েৎনা, নুংশাথিবা অমদি অঙমম্বগা মরী ফত্তবা লৈগনি। খাংবদি কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা খজিক থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা, য়েৎনরম্বা কোকচবা অমদি নুংঙাইবা মফম ফংবদি লৈগনি। অদুবু লৌশিং ফুদোকপা ঙমদে অমদি পূক্নিংদা কিবা ফাওগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**ধনু :** হরাওবা নুংঙাইবা, নীংবা থুংবা অমদি ব্রাখল য়াম্না থোকপা নুমিৎনি। অঙম্বনসু চানগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা অরুবা ব্রারেপসু লৌবা য়াবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**মকর :** নিংথিনা পোরম য়াৎপা য়াগনি অমদি ব্রানোম থৌনোম কান্নগনি। য়েক্লববু লাকশিনবা ঙমগনি। অদুবু অশাওবনা মাঙজবা অমদি মরুপ মপাংনা য়েংশিনবদি লৈরি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ব্রাখল নুংঙাইবা ব্রাৎকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।


**কুম্বা :** লাইবক ফবনা মীচং হেনগৎপা অমদি অনৌবা থৌরমদনা হেন্না মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। য়ারগদি য়েৎনবা য়াওরুনু, নচাক নরল লেংদবা চেকশিল্লু, ব্রা য়াম্না ঙাঙগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**মিন :** মরুপ-মপাংগা ব্রাখল তান্নবদি ব্রাৎকনি অদুবু মীয়ামগা লৈনবা মরীদি ফগনি। হকচাং নুংঙাইবা, অনীংবা থবক্কী পাউ নুংঙাইবা অমদি শেল ফংগদবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** -নুংশি মরী হেন্না ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title: Sunset and Girl
By: Bebikarani Shamurailatpam
Class: V Sec: A-I Roll No. 08
School: Standard Robarth Higher Secondary School




Title: Lotus
By: Bernard X
Class: III Sec: C Roll No. 37
School: Standard Robarth Higher Secondary School




Title: Hulk
By: L. Chinglemba Luwang
Class: V Sec: Roll No. 124
School: Bethel English School, Nambol




Title: Balloon
By: Drishy Chongtham
Class: K.G. Sec: A Roll No. 12
School: Kids' Foundatoin



Title: Save Water Save Nature
By: Geolivia Sagolsem
Class: V Sec: A Roll No. 30
School: Kids' Foundatoin




Title: Imoinu
By: Gimika Khagokpam
Class: II Sec: D Roll No.
School: Christ Jyoti




Title: Transformer Bumblebee
By: Henthoiba Sarangthem
Class: II Sec: A Roll No.
School: St. Joseph's Higher Secondary School



Title: Whole World Depends On It
By: Wahengbam Kritibash
Class: III Sec: A Roll No. 01
School: Smart Universal Academy




Title: A Girl
By: Roshni
Class: III Sec: B Roll No. 26
School: Smart Universal Academy



Title: Scenery
By: Samiya Nongjai
Class: K.G. Sec: A Roll No. 11
School: Smart Universal Academy



Title: A Bird with A Branch of Tree
By: Shougrakpam Lanchenbi Chanu
Class: II Sec: Roll No. 05
School: Grace Reach Academy, Hiyanglam



Title: Scenery
By: Prithingamba
Class: II Sec: A Roll No. 4
School: